# ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংগী ভাইওলেসনশিং মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথ্খবা ক্রাইমশিং ওইবা য়াই: য়ুএন এক্সপার্ট

জিনিভা, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
হৌখিবা থা খরা অসিদা ইরানগী ওথোরিটিশিংনা চথ্খবা ভাইওলেসনশিং মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথ্খবা ক্রাইমশিং ওইবা য়াই হায়না য়ুএননা এপোইন্ট তৌবা এক্সপার্ট অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না ইরানদা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা মী হাৎপা, জেলদা থন্বা, ফারগা মী মাঙহনখিবা, টোর্চর তৌবা, রেপ, সেক্সুএল ভাইওলেন্স অমসুং অতৈ তাথি তাওইনা তৌবগী থৌওং কয়া পল্লদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা মাসা অমেনি কৌবী নহা ওইরিবী ইরানিয়ন কুর্দিস্ট নুপী অমা কষ্টদিদা শিখিবদগী ইরানদা প্রোটেষ্ট লেপ্তুনা চথরকখি। জিনিভাদা বেজ তৌবা কাউন্সিলদা পীবা ৱারোলদা ইরানগা মরী লৈননা খনবা স্পিসল রাপোর্টর জুবাইদ রেহমন্না হায়খি, মদুদি ষ্টেট মোরেলিটি ওফিসনা ফু চৈবা অমদি ওৎ নৈবদগী অমিনি শিখিবনি হায়বগী ইভিদেন্স মঙোন্দা লৈ।

ইরানগী ষ্টেট কোরোনরনা হান্নদগী লৈজরকপা মেদিকেল কনি দসনশিংনা মরম ওইদুনা শিখিবনি। মকোক অমদি মখোঙ মখুৎতা ফুবদগী নত্তে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ইন্দিপেন্দেন্ট এক্সপার্ট অমা ওইরিবা রেহমন্না মখা তানা হায়খি, মদুদি নুপীমচা অদু শিখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মায়োক্তা চথ্খিবা ক্রাইমশিং অদু মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথ্খবা ক্রাইমশিংগা মান্নে হায়না লৌরকপা য়াই।

ইরানগী এম্বেসেদর বরৈনিনা বোদি অসিদা হায়খি, মদুদি ইরানগী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিং অদু ৱাখলনা পুংশা শাজিনবনি। ইরানবু কাউন্সিলদা নাইতোম ওইনা পুথোক্তুনা টার্গেট তৌই। মখোয়না ৱাখলদা লৈবশিং অদু ইরানদা লৈরিবা অশেংবা ফিভম ওইনা উথোক্লবা হোৎনরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রেহমন্না মখা তানা ফোঙ-দোকখিবদা প্রোটেষ্টশিং অদুদা অঙাং ৭১ য়াওনা মীওই ৫২৭ শিখি। প্রোটেষ্টর খরদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফুবদা শিখিবনি। নুপী অমসুং নুপীমচাশিং সোট গননা মমায়, থবাক অমসুং মখোয়গী প্রাইভেট পার্টশিংদা কাপশিনখি হায়নসু মহাক্না ইরানিয়ন ডাক্তরশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

ওথোরিটিশিংনা ফাজিল্লুরগা থাদোরকখিবা অঙাং কয়ানা সেক্সুএল এব্যুস, রেপ চথ্গনি হায়না কিহনখিবশিং, চৈনা ফুবা, ইলেক্ত্রিক সোক তৌবনচিংবা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা মখোয়দা চথ্খিবা সেক্সুএল ভাইওলেন্স অমসুং ওৎ নৈবগী থৌদোকশিং পন্দুনা তমখি।

মহাক্না ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা মরাল কয়া শীদুনা হাৎখিবা মীওই মরিদি প্রোটেষ্টশিং অদুগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না মথোঙ মরম খঙদবা ট্রাইয়েলশিং চথ্দুনা চহী অসিগী জনুৱারীদগী ওথোরিটিশিংনা অরুবা মরাল কয়া শীজিন্দুনা হাৎখিবা মী মশিং পুন্না ১৪৩ শুখ্রে।

মালেম পুম্বগী হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্ট তৌনবা শেম্বা গভর্ণমেন্টশিংগী ওইবা অমত্তা ঙাইরবা বোদি ওইরিবা মেম্বর ৪৭ কী কাউন্সিলনা হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা ভোট লৌনদুনা ইরানগী প্রোটেষ্টশিং নমথনবা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা চথ্খিবা কা হেনবা থৌওংশিংগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন অমা চথহনবগী ৱাফম অসি য়ানখিবনি।

# আই এম এফনা শ্রী লঙ্কাগী বেলআউটতা এন্টি-করপসন, গভর্নেন্স রিফোর্মসকী তঙাই ফদবা লৈ হায়খ্রে

কলম্বো, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না শ্রী লঙ্কাদা দোল্লর বিলিয়ন ২.৯ গী বেলআউট পীবগী ৱাফম য়াখ্রবা মতুংদা গ্লোবেল লেন্দর অসিনা পেকেজ অদু থাঙৈশেংনা ফঙনবগীদমক্তা এন্টি-করপসন অমসুং গভর্নেন্স রিফোর্মসকী ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।



ঈথৎ লৈবাক অসিনা ইকনোমিক ক্রাইসিস মখা তানা মায়োক্লরিঙৈদা গ্লোবেল লেন্দর অসিনা শ্রী লঙ্কাদা ৱাফম অসি খঙহনখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবগী নুমিদাং অথেংবদা আই এম এফনা এক্সটেন্দেন্ট ফন্দ ফেসিলিটি (ই এফ এফ) কী মখাদা থা ৪৮ গী এক্সটেন্দেন্ট এরেঞ্জমেন্ট ওইনা ঈথৎ লৈবাক অসিদা দোল্লর বিলিয়ন ২.৯ গী বেলআউট পীবগী ৱাফম অসি এপ্রুভ তৌখি।

সেনিয়র মিশন চীফ ওফ শ্রী লঙ্কা পিটর ব্রিৱর অমসুং মিশন চীফ ফোর শ্রী লঙ্কা, এসিয়া এন্দ পেসিফিক দিপার্টমেন্ট মসা হিরো নোজাকিনা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি ই এফ এফ-সপোর্টেদ প্রোগ্রাম অদুগী মরু ওইবা পিল্লর অমা ওইনা এন্টি করপসন অমসুং গভর্নেন্স রিফোর্ম য়াম্না মরু ওই হায়বসি ঐখোয়না শ্রী লঙ্কান ওথোরিটিশিংদা খঙহল্লি। মসি রিফোর্মশিংদগী লাকপা কান্নবশিং শ্রী লঙ্কাগী মীয়ামদা ফঙহন্নবগীদমক্তনি।

মখোয়না মখা তানা হায়খি, মদুদি শ্রী লঙ্কান ওথোরিটিশিংনা পব্লিক ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্ট ফগৎহন্নবগী থৌরাংশিং থৱায় য়াওনা লৌখৎপগী ৱাফম য়াখি অমদি করপসনগী মায়োক্তা লৈরিবা য়ুএন কনভেন্সনগা চান্ননা শ্রী লঙ্কান ওথোরিটিশিংনা এন্টি-করপসন লেভেল ফ্রেমৱার্ক হেন্না চেৎশিলহনবগী ৱাফম য়াখি।

হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা আই এম এফনা গভর্নেন্স দাইগ্নোষ্টিক এক্সর্সাইজ অমসু কন্দক্ট তৌরগনি। এক্সর্সাইজ অদুদা মখোয়না শ্রী লঙ্কাদা চথরিবা করপসনগী থৌওংশিং অমদি গভর্নেন্সকী ওইবা অশোয়বশিং কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা মখোয়না রিকমেন্দেসনশিং পীগনি।

আই এম এফকী সেনিয়র ওফিসলশিংনা হায়খি, মদুদি শ্রী লঙ্কা অসি আই এম এফনা গভর্নেন্স দাইগ্নোষ্টিক এক্সর্সাইজ অমা চথ্গদৌরিবা এসিয়াগী অহানবা লৈবাক্নি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঐখোয়না মসিগী মরু ওইরবা রিফোর্ম এরিয়া অসিদা ষ্টেক হোল্ডরশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা মখা তানা এনগেজ তৌননবগীদমক্তা শেম শারি।

# বাংলাদেশনা লৈবাক অসিগী অহানবা নেভেল সবমেরিন বেজ কম্মিসন তৌখ্রে

ধাকা, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনানা লৈবাক অসিগী অহানবা নেভেল সবমেরিন বেজ কম্মিসন তৌখিবগা লোয়ননা মদুবু লৈবাক অদুগী চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা পুংফমনি হায়খ্রে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর হাসিনানা ধাকাদা লৈবা মহাক্কী ওফিসল গনা ভাবন রেসিদেন্সতগী 'বি এন এস সেখ হাসিনা' গী নেম প্লেট ভার্চুএল ওইনা মায়খুম হাংখি।



থৌরম অদুদা মহাক্না হায়খি, মদুদি মমাঙগী বি এন পি গভর্ণমেন্টনা বাংলাদেশকী প্রোটেক্সনগীদমক্তা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং অমত্তা লৌখৎখিবা লৈতে। ফাদর ওফ ড নেসন বঙ্গবন্দু হাৎখ্রবা মতুং চহী ২১ কান্নরগা অৱামি লিক্লা অসিগুম্বা বেজ অসি কম্মিসন তৌরিবনি। হৌখিবা চহী ১৪গী মতমদা ফ্রিগেট মরি, কোর্বেট তরুক, অচৌবা পেত্রোল ক্রাফট মরি, পেত্রোল ক্রাফট মঙা অমসুং ট্রেনিং জহাজ অনী পুন্না লানগী জহাজ ৩১ বাংলাদেশ নেভিগী ফ্লিটতা হাপচিনখি হায়নসু মহাক্না থৌরম অদুদা পনখি।

পিএমনা মখা তাখিবদা কুমজা ২০১৭ গী মার্চ ১২ দা ফ্লিট অদুদা সবমেরিন অনী হাপচিনখি। মদুনা মরম ওইদুনা ঙসিদি ঐখোয়গী নেভি অসি দাইমেন্সন অহুমগী নেভেল ফোর্স অমা ওইহল্লে।

হাসিনাগী মতুং ইন্না বাংলাদেশনা হৌজিক মশানা শীজিন্নজনবা অমদি অতৈগীদমক্তা লোকেল শিপয়ার্দশিংদা জহাজ কয়া শারি। বাংলাদেশ নেভিনা খুলনা শিপয়ার্দতা অচৌবা ক্রাফটশিং য়াওনা পেত্রোল ক্রাফট মঙা শাবা মপুং ফানা লোইরে। নৌনা কম্মিসন তৌরিবা সবমেরিন বেজ অদুনা নেভিগী ওপরেস্নেল কেপাসিটি হেনগৎহন্দুনা লৈবাক অসিগী মেরিন রিছোর্সশিং চেকশিন্না ঙাক শেনবা ঙম্লগনি।

অমরোমদা, বে ওফ বেঙ্গল ফাওদুনা চৎলিবা জহাজশিংনসু বেজ অসিগী মতেং লৌবা য়ারগনি। সেখ হাসিনানা হায়খি, মদুদি বঙ্গবন্দুনা টেরিটরিএল ৱার্টর্স এন্দ মেরিটাইম জোন্স এক্ট ১৯৭৪ ইনেক তৌদুনা বাংলাদেশকী মেরিটাইম বাউন্দরিশিংগা মরী লৈনবা রাইটশিং ইষ্টাব্লিস তৌখি।

য়ুএননা কুমজা ১৯৮২ দা য়ুএন কনভেন্সন ওন ড লো ওফ ড সী (য়ু এন সি ও এল এস) ইন্টরনেসনেল মেরিটাইম লো অমা ওইনা য়ানখি। ঐখোয়না কনামত্তগা লান শোক্লবা পামদ্রবসু ঐখোয়গী নিংতম্বা অমসুং সোভরেন্টি নীংথিনা ঙাক শেন্নবগী কেপাসিটি মতিক চানা শেমগৎপা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# টর্কি অমসুং সিরিয়াগীদমক্তা ইন্টরনেসনেল দোনরশিংনা দোল্লর বিলিয়ন ৭.৫ পুথোক্লগনি

ব্রাসেলস, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
থা অসিগী অঙনবদা য়ুহা কন্না হাদুনা মীওই ৫৭,৩০০ গী মথক্তা শিখ্রবা টর্কি অমসুং সিরিয়াগীদমক্তা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা পুন্না য়ুরো বিলিয়ন ৭ (দোল্লর বিলিয়ন ৭.৫) পুথোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রে।

টর্কি অমসুং সিরিয়াগী মীয়ামগী-দমক্তা কনফরেন্স অদু য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা বোন্দেরলিয়ন অমসুং স্বিদেনগী প্রাইম মিনিষ্টর উল্ফ কৃষ্টেরসোন্না থৌবু ওইদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবনি।

মার্চ ৬ তা থোকখিবা শাথিরবা য়ুহাশিং অদুগী চৈথেং নঙলবা মীয়াম্বু মতেঙ পাঙননবগী পান দমগা লোয়ননা দেলিগেসন ৬০ হেনবনা ব্রাসেলসতা উন্নখি।

য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না হায়রি, মদুদি পুন্না য়ুরো বিলিয়ন ৬.০৫ টর্কিগীদমক্তা গ্রান্টশিং অমসুং লোনশিংগী মওংদা পীরগনি অমসুং য়ুরো মিলিয়ন ৯৫০ না সিরিয়াদা গ্রান্টশিং ওইনা পীরগনি। গ্রান্টশিং অদুগী চাদা ৫০ হায়বদি য়ুরো বিলিয়ন ৩.৬ তি য়ুরোপিয়ন কম্মিসন অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন মেম্বর ষ্টেটশিং, য়ুরোপিয়ন ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক অমসুং য়ুরোপিয়ন বেঙ্ক ফোর রিকন্সট্রক্সন এন্দ দিভলপমেন্টনা পুথোক্কনি।

ঙসি অসি ইন্টরনেসনেল সোলিদারিটিগী য়াম্না ফবা নুমিৎনি হায়না বোন্দেরলিয়ননা ইভেন্ট অদু লোইরবা মতুংদা ফোঙদোকখি। লিয়ননা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না মথৌ তাবা মীওইশিংদা সপোর্ট পীরি হায়বসি টর্কি অমসুং সিরিয়াগী মীয়ামদা ঐখোয়না উৎখি।

ঐখোয় পুন্নমক্না পীগদৌরিবা মতেংশিং অসি হান্না থাজরম্বা চাংদগী হেল্লি। য়ুহাশিং অদুনা শোকহল্লবশিংবু মখা তানা মতেং পাঙননবা ঐখোয়না পুন্না হোৎনমিন্নগনি। ঐখোয়না হৌজিক হিংহৌবা মীওইশিংবু মতেং পাঙদুনা মখোয়গী পুন্সি নৌনা শেমগৎ শাগৎহনগদবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কন্ট্রিব্যুট তৌরক্লবা ঐহাক্না লৈবাক পুন্নমক্তা আপিল তৌরি হায়না লিয়ননা ফোঙদোকখি।

# য়েমেনগী লান শোক্লরিবা পার্টিশিং দিটেনি ৮৮৭ থাদোকপগী ৱাফম য়ানরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে

অদেন, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
য়েমেনগী লান শোক্লরিবা সাইটশিংনা লৈবাক অদুগী কনফ্লিক্টকা মরী লৈনবা দিটেনি ৮৮৭ থাদোকপগী ৱাফম য়ানরে হায়বসি য়ুএন স্পিসল এনভোই ফোর য়েমেন হান্স গ্রুনবর্কনা কনফার্ম তৌখ্রে। স্বিটজরলেন্দদা নুমিৎ তরানিগী নিগোসিএসন অমা পার্টিশিংনা চথ্দুনা য়ানবা অদু পুরকখিবনি হায়রি।




ইন্টরনেসনেল কম্মিটি ওফ ড রেদ ক্রোস (আই সি আর সি) গা লোন্নবা থোকমিন্নবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা গ্রুনবর্কনা হায়খি, মদুদি য়েমেনি পার্টিশিংনা লাক্লিবা মেদা অমুক হন্না উন্নদুনা তুংদা দিটেনিশিং থাদোকপগী ৱাফম অমদি অমগা অমগা দিটেন্সন ফেসিলিটিশিংদা পুন্না ভিজিট তৌমিন্নবগী ৱাফম অসিসু য়ানখি।

য়ুএন এনভোই অসিনা এগ্রিমেন্ট অদুবু তরাম্না ওকখি অমসুং য়েমেনি পার্টিশিংবু শন্তাইনবা পুরকপগীদমক্তা থাগৎখি। ওইরক্লিবা খোঙথাং অসিনা য়েমেনি পুম্নমক্কী অৱাবা কোকহল্লগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না পার্টিশিংদা য়ুনি লেটরেল ওইনা অমসুং হৌজিক অমগা অমগা য়ানরকপগী মওং অমদা পার্টিশিংনা অহেনবা দিটেনিশিং থাদোক্লবসু তকশিনখি। য়েমেনদা লৈরিবা দেলিগেসন অদুগী আই সি আর সি হেদ দাবনি মারেটনা এগ্রিমেন্ট অদুবু অমগা অমগা শেৎনরবা ইমুংশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা অমসুং পার্টিশিংগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা লাকহন্নবগী মায়কৈদা থাংলকপা য়াম্না মরু ওইবা খোঙথাংনি হায়খি।

আই সি আর সিনা হ্যুমেনিটরিয়ন খোঙচৎশিং হেন্না খুদোংচাহন্নবা মীচং মীখায় নাইদনা মখা তানা নাকল অনীগী মরক্তা নকশিন্ননবা ৱারী শান্নবা য়ানবগী পান্দমগা লোয়ননা মখা তানা থৌদাং লৌননবা শেম শাদুনা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা য়েমেনগী মালেম্না শকখঙবা গভর্ণমেন্ট অমসুং হৌথি গ্রুপকী ওফিসলশিংনা পুন্না থোকখিবা ৱারোল অমদা নাকল অনীনা প্রিজিনর ৮৮০ হেন্না থাদোক্লবা এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

গভর্ণমেন্টগী নিগোসিএসন টিম অদুগী মেম্বর অমা ওইরিবা মজিট ফদাইলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ত্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা হায়খি, মদুদি প্রিজিনরশিং অমসুং এবদক্টিশিংগী ইস্যুগী মতাংদা ঐখোয়না নিগোসিএসন রাউন্দ কয়া পাঙথোকখ্রে।

মপুং ফানা লোইশিনখিবা নিগোসিএসনগী রাউন্দশিং অদুদা প্রিজিনর অমসুং এবদক্টি ৮৮০গী মথক্তা লৈরিবশিং অদু করি তৌগদগে হায়বগী মতাংদা দিল অমা য়ানখি। দিল অদুদা মরু ওইনা হৌথিশিংনা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা জর্নেলিষ্ট মরি, সিভিল ৱারদা ইনগেষ্ট তৌরিবা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংলিবা কোল্লিসনগী লানগী প্রিজিনর কয়া থাদোকপগা লোয়ননা য়েমেনি ওফিসল খরগী মরী মতাশিং থাদোকপনচিংবগী ৱাফম য়াখি।

# লেবানন-ইজরেল বোর্দরদা উংখৎনবা থোরক্কদবা থৌওং চথ্দনবা য়ুএন পিছ কিপ্পরশিংনা আপিল তৌখ্রে

বৈরুট, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
লেবানন-ইজরেল বোর্দরদা উংখৎনবা ফিভম লাকহনগদবা থবক থৌওং অমত্তা লৌখৎতনবা য়ুএন ইন্টরিম ফোর্সেস ইন লেবানন (য়ুএন আই এফ আই এল) গী চীফ অরোলদো লজারো সেন্সনা লেবানন অমসুং ইজরেলদা নৌহৌননা অমুক তকশিনখ্রে।

মহাক্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি অমগা অমগা ৱাখল তান্নদবা, রিএক্সন লাক্লগদবা অমদি হোষ্টেলিটিশিং লেপ্পিবদু লোইহন্দুনা অমুক হন্না হাৎন শুনবা থোকহনগদবা থৌওং অমত্তা চথ্দনবা ঐহাক্না পার্টি পুম্নমক্তা মখা তানা তকশিল্লি।

মহাক্না ৱারোল অসি য়ুএন পিছ কিপ্পিং ফোর্সশিং লিংখৎখিবগী ৪৫ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা নকৌরাদা লৈবা য়ু এন আই এফ আই এল হেদ ক্বার্টর্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

হন্দক্তা ব্লু লাইন পরিংদা থোকখিবা উংখৎনবগী ফিভমগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি পিছ কিপ্পরশিংনা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থিংননবা অমদি মরা তপ্পা ফিভম লীংননবগীদমক্তা গ্রাউন্দদা লৈরিবনি। মহাক্না তুং কোইনা চৎনগদবা সিজ ফায়র অমদি মরা তপ্পা ফিভম খক্তনা য়ুএন রিজোলুসন ১৭০১ মায় পাকহনগদবা ওইবনা নাকল অনীমক্তা অসিগুম্বা পার্মেনেন্ট সিজ ফায়র অমা পুরক্লনবা আপিল তৌখি।

পনবা য়াবদি, য়ুএন রিজোলুসন অদুনা কুমজা ২০০৬ তা ইজরেল অমসুং হেজবোল্লাগী মরক্তা শোক্লখিবা লান অদু লেপহনখিবনি।

টোপ ওফিসল অসিনা হৌখিবা চহী ৪৫ চুপ্না য়ু এন আই এফ আই এলগী পিছ কিপ্পরশিংনা মখোয়গী মিশন পাঙথোকখিবা অদুবু থাগৎখি। শাংলবা চহী ৪৫ গী মতম অসিদা ঐখোয়গী পিছ কিপ্পরশিংনা মখোয়গী মথৌদাংদগী লৈথোকপা তৌদনা কম্মিটমেন্টগা লোয়ননা মথৌ তৌখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইলেক্সনগী মাঙওইননা থাইলেন্দগী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিব মুথৎখ্রে

বেঙ্কোক, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
থাইলেন্দগী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিব মুথৎতুনা থা অনীগী মনুংদা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লবগী লম্বী ফাৎলে হায়না রোয়েল দিক্রি অমনা হায়রি। রোয়েল দিক্রি অদুনা হায়রিবদি হাউস ওফ রিপ্রেজেন্টেটিবসকী মেম্বরশিংগী অনৌবা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক্তা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসপু মুথৎপা হায়বসি তঙাই ফদবনি। এনাউন্সমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না মেম্বর ৫০০ লৈবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী জেনরেল ইলেক্সন অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তগী পারগা ঙল্লবদা নুমিৎ ৪৫ নিগী মনুংদা নত্ত্রগা থেংলবদা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা পাঙথোক্লগনি।

# 'রসিয়ানা মতম পুম্বদা নিগোসিএসনগীদমক শেম শাদুনা লৈ'

মোস্কো, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
রসিয়ানা মতম চুপ্পদা নিগোসিএসনগী প্রোসেসকীদমক্তা শেম শাদুনা লৈ হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ক্রেমলিনদা চাইনাগী মহাক্কী লেঙমান্নবা সি জিনপিংগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখ্রে।



পুটিননা ৱাফম অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাইনাগী হৌজিক থোক্লিবা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস সেট্টল তৌনবা পুথোকখিবা প্লানগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখিবনি।

প্লান্ট অদুগী পান্দমদি রসিয়ন-য়ুক্রেন লান লোইশিলহনবা হায়বসিনি। মদু হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা চাইনানা রিলিজ তৌখিবনি। অদুম ওইনমক য়ুএসনদি মদু রসিয়াগী ফেবরদা মতম লৌনবা হোৎনবগী টেক্টিক অমা ওইবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা হায়খ্রে, মদুদি লান অদুবু মশাগী টার্মসতা লোইশিনবা য়ানবা চাইনা নত্ত্রগা অতৈ লৈবাকশিংগী সপোর্টকা লোয়ননা রসিয়ানা লৌখৎলক্লিবা টেক্টিকেল খোঙথাং অমত্তনা মালেম্বু পংথহল্লোইদবনি।

য়ুক্রেনগী টেরিটরিদগী রসিয়ন ফোর্সশিং লৌথোকপগী ৱাফম য়াওদবা সিজ ফায়র অমা চৎনহনবা হায়বসি রসিয়ানা য়ুক্রেনবু লান্দারিবদু শৌগৎপনি হায়বদা লাল্লোই। লুচিংবা অনীনা ৱারী শানরিবদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুং ৪.৩০ চুপ্না চথ্খি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মখোয়না মখা তানা ফোর্মেল মীফমশিং পাঙথোক্লবা য়াই হায়না রসিয়ন ন্যুজ এজেন্সি রিয়ানোবোষ্টিগী রিপোর্টনা হায়রি।

পুটিনবু নুংশিরবা মরুপ অমনি হায়না পনখিবা সিনা রসিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা অদুবু থাগৎখি অমদি লৈবাক অসিগী চাওখৎ খোঙথাংশিং শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলে হায়খি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি নাকল অনীনা য়ুক্রেনগী ইস্যুগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

চৈরকসিদা, ক্রেমলিননা রসিয়ন ওফিসলশিংদা মার্চ থা লোইবা ফাওবগী মনুংদা আইফোনশিং শীজিন্নবা লেপ্পনবা খঙহনখ্রে। কুমজা ২০২৪ গী প্রসিদেন্সি মীখলগী শেম শাবদা চেন্নরিবা রসিয়ন ওফিসলশিংবু ক্রেমলিননা মার্চ লোইবা ফাওবগী মনুংদা এপ্পলগী আইফোনশিং শীজিন্নবা লেপ্পনবা ক্রেমলিননা খঙহনখি হায়না রসিয়াগী পাউচে কোমেরসান্টনা হায়রি।

# টেক্সাসকী স্কুল অমদা মহৈরোয় অমনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অমা শিখ্রে

ওষ্টিন, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
টেক্সাসকী দলাস এরিয়াদা লৈবা স্কুল অমদা মহৈরোয় অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা নোংমৈ কাপখিবদা মহৈরোয় অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অমনা অশোক অপন নঙখ্রে। নোংমৈ কাপ্লিবা মহৈরোয় অদু কেপিটেল মর্দর চাজ 'তা ফাখি হায়রি।

পুলিস অমসুং স্কুল দিষ্ট্রিক্ট ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না নোংমৈ কাপ্পা অদু অয়ুক পুং ৬.৫৫ রোম তাবা মতমদা আর্লিংটনদা লৈবা হায় স্কুল অমগী কেম্পসতা থোকখিবনি। মদু স্প্রিং ব্রেক্টকী মতুংদা ক্লাসশিং হৌননবা অহানবা নুমিৎকী মহৈরোয় অয়াম্বা লাক্লদ্রিঙৈগী মমাঙদনি।

আর্লিংটন পুলিসকী চীফ অল জেন্সনা হায়খি, মদুদি নোংমৈ কাপ্পা অদুদা পানখিবা মহৈরোয় নুপামচা অদু হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরম্লগা শিখি অমসুং অশোক অপন নঙখিবা নুপী ভিক্তিম অদুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরি।

নুপীমচা অদুগী ফিভম হৌজিক নুংশা থীনিংঙাই ওইদ্রে। তৌইগুম্বসুং পুলিস চীফ অসিনা ভিক্তিমশিং অদুগী চহী নত্ত্রগা গ্রেটশিং পনখিদে। অতোপ্পা মহৈরোয় নুপা অমা মফম অদুদগী ফাখি অমসুং মঙোন্দা কেপিটেল মর্দরগী চার্জ তৌখি হায়না জোন্সনা নুংথিলগী ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি। পুলিস চীফ অসিনা সুটর অদু মাইনর অমনি হায়রদুনা মশক মমিং ফোঙদোকউ য়াখিদে। তৌইগুম্বসুং মহাক মফম অদুগী জ ুবেনাইল দিটেন্সন সেন্টর অমদা থল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

জোন্সকী মতুং ইন্না গনমেন অদু লামার হায়স্কুলগী বিল্ডিংদা চঙলমদনা মফম অদুদগী চেনখি অমসুং রেস্পোন্দ তৌরিবা ওফিসরশিংনা মহাকপু মিনিট খরগী মনুংদা ফাখি। ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থৌদোক অদুদা শীজিন্নবা নোংমৈ অদু রিকোভর তৌখি। তৌইগুম্বসুং সুটর অদুগী পান্দম অমদি মহাক্না কদায়দগী নোংমৈ অদু ফঙখিবনো হায়বগী মতাংদদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

জোন্সনা হায়খি, মহৌশানা স্কুল অদুদা ষ্টেসন তৌরিবা পুলিস ওফিসরশিং নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা লৈখিদে। ওফিসরশিংনা দ্যুটি হৌরমদাইদা নোংমৈ কাপ্পা হৌখিবনি। নোংমৈ কাপ্লিবা মনুংদা স্কুল অদু লোকদাউনগী ফিভমদা লৈখি হায়না আর্লিংটন ইন্দিপেন্দেন্ট স্কুল দিষ্ট্রিক্টকী স্পোক্সপার্সন অনিতা ফোষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# সাইক্লোন ফ্রেদিনা শিহনবা মী মশিং ৪৯৯ শুরে

লিলোংৱে, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
মলাৱিদা ট্রোপিকেল সাইক্লোন ফ্রেদিনা শিহনখিবা মী মশিং ৪৯৯ শুরে অমসুং ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রিবা মীওইশিংগী মশিংনা ৫০৮,২৪৪ য়ৌরে হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মলাৱি দিফেন্স ফোর্স, মলাৱি পুলিস সার্ভিস অমসুং য়ুকেদা পুন্না খুৎশম্নদুনা ছর্স অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনশিং চথরি। মদুদা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিং টেঞ্জানিয়া অমসুং জাম্বিয়ানা মতেং পাঙই।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা দিপার্টমেন্ট ওফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এফিয়র্সকী কম্মিস্নার চার্লস কালেম্বনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সাইক্লোন অদুনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রিবা মীওইশিং লৈহন্নবগীদমক অহেনবা কেম্প অমসু লিংলে।

মদুগা লোয়ননা অপুনবা কেম্প মশিং ৫৩৪ শুরে। অশোকপশিংগী মশিংনা ১৩৩২ শুরে অমসুং মীওই ৪২৭ হৌজিক ফাওবা থীবা খঙদ্রি। সাইক্লোন অদুনা শোকহনখিবা দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সিটিশিংগী মশিং সাউর্দন রিজনগী দিষ্ট্রিক্ট অমসুং সিটি ১২ নি হায়না হান্না লাউথোকখিবদগী হেনগৎলক্তুনা হৌজিক্তি ১৫ শুরে। সাইক্লোন ফ্রেদিগী এক্তিভিটিশিং নেমথখ্রবসু ইষ্টর্ন রিজনগী অহেনবা দিষ্ট্রিক্ট অহুম হৌজিকসু নোং কন্না চুরি।

মলাৱিগী প্রসিদেন্ট লজারসনা সাইক্লোননা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ষ্টেট ওফ দিজাষ্টর লাউথোকখ্রবা মতুংদা ফোরেন মিশনশিং, গভর্ণমেন্টশিং, লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসনশিং, কম্পেনিশিং অমসুং ইন্দিভিজ ুএলশিংনা রেস্পোন্স ওপরেসন শৌগৎনবা অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং পীননবা মোবিলাইজ তৌখি।

# ভিএটনামদা দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলকপদগী এলার্ট লাউথোকখ্রে

হানোই, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
ভিএটনামদা দেঙ্গিগী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলক্লে হায়না হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা দেঙ্গি ফিবর শন্দোরকপগা মরী লৈননা এলার্ট লাউথোকখ্রে। হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা হায়রি, ভিএটনামদা চহী অসিগী অহানবা থা অনীগী মতমদা দিটেক্ট তৌখিবা দেঙ্গি ফিবরগী কেস মশিং মমাঙ চহীগী মান্নবা মতম অদুগা চাংদম্নবদা শরুক অনী হেনখি।

ইনফেক্সন অয়াম্বা সাউর্দন অমসুং সেন্ট্রেল প্রোভিন্সশিংদা রেকোর্দ তৌখি। কাংনা শন্দোকপা লায়না অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী প্রোব্লেম অমা ওইদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহীদা লৈবাক অসিদা দেঙ্গিগী কেস মশিং পুন্না ৩৬১,৮১৩ রেকোর্দ তৌখি অমসুং লায়না অসিনা মীওই ১৩৩ শিহনখি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা লোকেল ওথোরিটিশিং, মরী লৈনবা এজেন্সিশিং অমসুং হেল্ঠ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা ফিভম কুপ্না মোনিটর তৌনবা খঙহনখ্রে। লৈবাক অদুদা দেঙ্গীগী লাইচৎ কনখৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবা মরক্তা লায়না অদুগী অরুবা কেসশিংগীদমক হেন্না থৱায় য়াওনা রিছোর্সশিং শেম শাবা ঙম্নবা লায়না থিংনবগী থৌরাংশিং থুনা লৌখৎকদবনি হায়খি।